DEDICATED TO

REV. WILLIAM PETTIGREW

OF

THE AMERICAN BAPTIST MISSION SOCIETY

IN APPRECIATION OF HIS LABOUR IN THE CAUSE OF THE MANIPURI DIALECT.

লাইরিক ফোংদোকপগী রাহৌদোক।

মীতৈরোন অরীবগী লাইরিকশিং অসি করম তৌরগা মুৎহন্দবা য়াগদগে অমসুং করম তৌরগা মী অয়াম্বনা পানগদগে হাইনা নিংজরকপা মতম কনা কুইরে ; হাকুম অদু শ্রীল শ্রীযুক্ত মণিপুরেশ্বর শ্রীচূড়াচান্দ সিংহ সি, বি, ই মহারাজ বাহাদুরনা রাজপণ্ডিত শ্রীলোংজম গোপাল সিংগা লোইনদুনা মীতৈ লাইরিক খরা ইংরাজী লোন্দা হন্দোকউ হাইনা সনা য়াথং তাকপীবা অমসুং মতম অদুগী পোলিটিকেল এজেণ্ট সাহেব মিঃ এল, ও, ক্লার্ক I.C.S. বাহাদুরনা লাইরিকসিং অসি খরা ঙম্বগী মখে থিজিল্লু হাইনা তাকপিবনা লাইরিক খর থেংনজরে। মরম অদুনা মীতৈমচা ইবুংঙোশিংগী মফমদা লাইরিক মচা অসিমতং কৎচবা হৌজরি। ইবুঙোসিং অসিগী থৌজাল নম্রবদি লাইরিক ফোংদোকচবা ঙমলমমোইদৌবনি। মুৎ-খিগদৌরিবা লাইরিকশিং অসিবু অপংবা ঐনা খনজবদি ঙম্বগী মখে ছাপা নগথোকলবদি খরগী মখৈতসু লৈহৌগনি হাইনা নিংজে। ছাপা নম্রবদি মীতৈ ময়েকমকনা নম্বনা চুমই অদুম্বদি ওইরবদা অনৌবা ছাপা ময়েক অমুক হৈগৎপদসু খরচা য়ামগনি অদুগা পাবিনবা মীসু খর তাংগনি মরম অদুনা চৎনরিবা বাঙ্গালা ময়েকনা নমজরে। লাইরিকশিং অসি খোমজিনবা হোৎনবমক্তদসু খরাই হকচাং অনিমক কয়া অমা নোমদবা য়াদে, অদুদগী হেন্দোকতুনা শেলসু পামুবা লৈতনা পীথোকপা তাই। মরম অদুনা থাক থাক কাখৎপনা চুমগদৌ মালে হাইনা নিংজরে।

লোল অসিগী ব্যাকরণ অমা, অভিধান অমা নিংথিনা লৈরবদি য়াম্না কান্নগদৌবনি ; ব্যাকরণগী লাইরিক অমতা থেংনজদ্রি অভি-ধানসু লৈরমগনি হাইনা নিংদে। মরম অদুনা লাইরিক মচা অসিগী মমৈদা অরুবা রাহৈগী অর্থ হাইদুনা লাইরিক অসিদা য়াওবা হুজিককী মীতৈরোলদদি চৎনদ্রবা রাহৈগী অর্থ খর পীজরি ; মাসিনা লাইরিক

অসি পাবা মীগীতম্ম নত্তুনা লাইরিক অতৈ পাবদম্ম কাগ্নবা যাই হাইন৷ ৷নংঙৈ৷ ব্যাকরণগী মবমদম্মু পথাপ খব পীবনা চুমই, অদুম ওইনমক আমেরিকান বাপটিস্ট মিসনগী রেভঃ পেটিগ সাহেবনা মাসিগী ব্যাকরণ অমা লেংগদোবি, ঐনা পথাপ অদু হান্না পীগোকতুনা পেটিগ সাহেবকী ব্যাকরণ অসি মনগোকনিংদ্রে। অদম্নদি ওইরবদা লোন মসিগী অহানবদা ফোংদোকপা লাইরিকতি লাইরিক মচা অসিনা ওইরবনিনা শুপগং খংদবা যাদবা ব্যাকরণগী পথাপ খরতংতদি হাইবনা চুমই ঃ--

(১) হুজিক চৎনবিবা লোন্দা কাবককী মঙাশুবা বিভক্তিগী খুদম তগী অসি থাইনগী লোন্দা পংনা থেংনদে, মাসিগী মহুৎতা তা অমম্তুং কী অনি অসি তোঙান তোঙান শিজিন্নৈ। করি করিগুম্বা মফমদা তগী, হাইবা বিভক্তি অসি পুল্লপনা শিজিন্নবম্ম থেংনবদি থেংনৈ। "তাংজা লিলাথিনা গকড় চেক **নিংথোদা** চাইগোকনৈ" "য়ান্না **কোনথাংশাগী** নম্ম পোংথোক মগংলেংনা থেৎতমলকপা।" লাংলোল।

(২) অর্থ অমতা খংহনবা রাহৈ অনি মফম অমতদা যান্না তৌইন শিজিন্নগল্লি। মাসিগুম্বা মফমদা মগককী রাহৈনা থাইনগী অবীবা মখাগী রাহৈনা হুজিককী চৎনবী ওইগল্লি, মীবৈবাককী রাহৈ লৌশিন্দুনা হাইরবম্ম ইরৈবাককী রাহৈনা মখাদা অমুক হন্দোকল্লি। মাদুদি "নোইমু থুমর্জা মাইঙোবী," "কুমার ফুসবনা"। লাংলোল।

(৩) করিগুম্বা রা য়াম্না শাংবা য়াওরবদি কর্তা অদু হান্না অমুক হাইদোকলগা রা লোইরমদাইদা ক্রিয়াগী মনাক্তা কর্তা অদুগা অর্থ চানবা রাহৈ অমা অমুক শিজিন্নৈ। লাংলোল লামাই ১৬ শুবা য়েংবিয়ু।

(৪) Subjunctive moodকী খুদম বদিগী মহুত্তা কিদি হাইবা অসি শিজিন্নৈ। "লাইগী নোংদম লৈ হাইযিকিদি।' লাংলোল।

(৫) ঙোন্দা হাইবা শব্দ বিভক্তি অসি থেংনদে।

(৬) গনি হাইবা ক্রিয়া বিভক্তি অসিসু থেংনদে মাগী মহুত্তা ঙৈনি হাইনা শিজিন্নৈ। "মরাল লোলযুম য়েংনা ৱা হাইঙৈনৈ।" লাংলোল।

(৭) ভুনা হাইবা অসমাপিকা ক্রিয়াগী মহুৎতা গী শিজিন্নৈ। "থাজা খুৱাং কোন্না ঙাকচাঙমদবগী" লাংলোল!

লাইরিক মচা অসি লেংবদা পুকনিং থোগৎপীখিবা ঐগী মরূপ মপাং পুন্নমক্কী মমিংগী মখে শীংথানরবদি লাইরিক য়াম্না চাওখিবা তারে। মরম অদুনা মখোই পুন্নমককী মফমদা হন্না হন্না খুরুমজরি। রাজপণ্ডিত লোংজমগী শ্রীগোপাল সিংহনা অহল মতম ওইরবদা ঐগী চৈশৌ পাম্বে ওইবিবা অদুদি অমুক শীংথাদুনা লোইররোই। শ্রীমান নামৈরাকপম তর্পণ সিংহ পণ্ডিতনসু য়াম্না ইতেং পাংবিখি। মমৈদা অর্থ হাপচরিবা অসিগী ময়েক মথং মনাও লেংথবা অসি শ্রীমান কৈশাম অঙাংজাও সিংহ শ্রীমান য়ুমনাম গোপাল সিংহ অনিনা শেম্বনি। অরাল অহুই পুন্নমক কৃপা তৌবিদুনা ঙাকপিগনি হাইনা নিংজৈ। ঐনা মথংলে হাইদুনা তৌজবা নত্তে মাংখিবা পামুই হাইবগী মথক্তা তৌজবনি, মবম অদুনা অখাইনা পুকনিং থোগৎপীগনি হাইনা নিংজদুনা ইকাই শেঙ্গোই হাংনা থোকচরকপনি। অরানবা পুকনিং চাবিদবা লৈবা পুন্নমক তাকপিরকলবদি তৌবিমন খংবগা লোইননা মতুংগী খুৎনমদা শেংদোকচগে। মথং মথং লাইরিক অতৈসু নমজরকখিগনি।

ফোংদোকপা।

৺ৰাহেংবা মাধবরাম।

লাইরিক লেংবা ৺ৰাহেংবা **মাধবরামগী** পুনশিগী ৱারিগা লোইননা লাইরিক মচা অসি নম্বনা চুমই হাইনা নিংজবনি, থবক শংদবনা মাসি মুন্না থিজবা ঙমখিদ্রে। ইবুঙোশিং মীতৈমচা পুম্নমকনা লাইরিক অমুক নম্বা ঙমজনবা কপা তৌবিত্তনা হন্দককী লাইরিক অসি ঐনা শিদ্রিঙৈদা লোইনা চংখিবা তোকলবদি অকোনবগী নম্বা অত্তুদা মাসি পুম্নমক খব মুন্না হাপচনবা তোংনজগে। অত্তম ওইনমক হন্দককী খুংনম অসিদগ্ন ঐনা খংজবা খরগী মখোদি ইবনা চুমই হাইনা নিংজবনা মখাগী অসিতংদি চিংখরমনিংদ্রে।

মিংগা লোইনবা যমনাক অসিনা **বাহেংবমনি** হাইবা খংলে কর্ত্তা মহারাজগী মতমদা ওজা অসি মপান ফরমই। শক ১৭০২ শুবদা কর্ত্তা মহারাজগী মজাইবুঙো নবানন্দ যুবরাজনা নোংচুপলমদা হিয়াং হিরেল য়ানবা লেংই, মাত্তদা মযেংবা বৃন্দাবন **ৰাহেংবা মাধবরাম** অনি অসি যাওজেমই। খোংফম অসিদা থা অনি চংনা নাবক উরকত্তা হি চিংই, মতম অত্তদা হাইরিবা ওজা অনি অসিনা **মহাভারত বিরাট পর্ব্বগী** ৱারি মীতৈরোন্দা লেংথোকত্তুনা মীযাম পুম্নমকপু তাহনত্তনা শরাবা পোথানহল্লি। অত্তুগী মতুংদা ৺জযসিংহ মহারাজ হাইবদি কর্ত্তা মহারাজনা লৈনবা মতুংদা শক ১৭২২ শুবদা **মাধবরাম** অসি **গঙ্গাচংবা** হাইবা লাইবিক অত্ত লেংবা য়াওই। লাইবিক অনি অসিতসু নত্তুনা **মাধবরামন** লেংলম্বা লাইরিককী মতুংদা ঐনা থেংনজবদি **লাংলোন** হাইবা অসিমা **সনামনিক** হাইবা অমা উজরে অতৈসু লৈরমখিগবরা নিংজে। **চৈথারোল কুম্বাবা** হাইবা লাইরিক অসিসু ভাগ্যচন্দ্র হাইবদি কর্ত্তা মহারাজগী মতমদা অমুক শেমগৎলি হাইবনিনা ওজা অসিসু য়াওরমগবরা নিংজে। **শামু ফাবা** হাইবা লাইরিক অত্তু থেংনজদ্রি ওজা অসিগী মমিংসু শামু ফাবা অসিগা সম্বন্ধ লৈরমগনি হাইনা নিংজে।

মানা লেংবা লাইরিক পাবদা ওজা অসিবু নাপল লৈতবা, নোল্লুকনবা, ব্রাখল মুনবা মীনি হাইনা নিংই। মতম অদুদস্তু ওজা অসিগী মতিক মগুণ থাবা মতমদা "**ব্রাকমা শৈদম হেনবা, শৈশেম নাতৈ থিবদা লৌশিং লৈখল য়াংবা মাধবরাম ব্রাহ্মেংব**" অস্তুম হাইনা ইরমই। **লাংলোন** হাইবা লাইরিক মচা অসিগী মগুনদি মফম অসিদা অমুক থাদুনা কান্নদ্রে লাইরিক মশা পাবিবগা খংবিগদৌবা লৈবে। ধনঞ্জয় লাইবু নিংবা হাইবা লাইরিক অদুদা লাংলোনগী পাওতাক খব কোৎখৎতুনা হাপলি মাতুমকনস্তু লাইবিক অসি কযা মকুম চৎনরম্বা লাইরিকনো হাইবা খংনবা যাই। শ্রীমান লাইশ্রম গৌববিধুনা **লাংলোনগী** খুৎনা ইথোকপা অদু পারগা "মীতৈ চাণাক্য শ্লোক" হাইনা থোললি। লাইরিক মচা অসিবু মুন্না বিচার তৌদুনা পাবিরবা অমস্তুং মাসিগী পাওতাক অসি খরগী মখৈতস্ত লৌবিরবদি মীতৈমচা এখোইগী চাওখৎনবগী লম্বীদা থাক অমতদি কাখৎলে হাইবা খংনবা য়াই। অচুম্বা ব্রা হাইবগী মগুণ থাগৎপদা হাইবমইবা পুম্নমক অদু মুন্না খনদুনা য়েংলবদি চাওখৎলিবা জাৎতি অচম্বা ব্রা হাইবা অসিবু কয়ামরুম লুনা তৌনরম্বগে হাইবা খংই।

ইম্ফাল,
৪।৫।২৪ ইং।

ফোংদোকপা

নিজবা।

লাইরেল মৈদিঙ্ শ্রীশ্রীযুৎ চূড়াচান্দ সিংহ, সি, বি, ই, মিংথোন্না হেমোইনবা, ভক্তিবিনোদ উপাধি ঙংগোইনবা, দুলাই মালং নোংশিৎ শাথৌনবা, পাম্বা কৈরেল চংফানবা, লাঙ্গোইলমশা ফাবা, হুয়েল লান্তোংহকপা, ৱাইরা শাথোং যাম্বা, পীজা পামুদবা, পীনা হলয়েংদবা, লংজা ঙাকপিহৈবা, য়োনজা কোকপিহৈবা, ধর্ম্ম নিংথৌরেন্না পোইরৈপুংমযোল ঙাল্লিবৈ শমুখুয়াখাগী মালেম তিঙ্গোই লৈমাই থককী ওইবিবা, লাইরিক য়েকতৈ নমফমগী মদাইবেম নুংবান ৱাহেংবা যুমজাও সিংহ উনবী লৈথল লল্লিবনা খ্রীষ্টাব্দ লাকতৈ কুমশিং ১৯২৩ শুবা লোইদাম থাজা নবেম্বর মাকমৈ ১৯ নি চনবদা. পোইরৈ মীতৈ ইবোনবু ৱাঙমচৎনবী লোন্দা লংজা শোংগী লমচৎনা গাংজা লৈযেং খৎঙমদা, চীঙ কলম থাঙমদা খিজিক্তা হন্দোকচৈএ। চীঙ্ লাইবু নিংবা পাইমা ালংজেন চাওবা উজা গুরুজন ওইবা নখোইনা লংজা ঙাকপিও।

শমু খুয়াখাগী

শ্রীযুমজাও সিংহ।

লাংলোল।



লাইরিক লেংবগী ৰাহৌদোক।

হরি হয়াহে, খোইমোম লাইযিংথৌ ওংলৌ যাইবীরেল শিদবা, যাৱা কোনখাংশাগী নমুপোংথোক মথংলেংনা থেৎতয়ৱকপা, থিরেল উংলৈন্মুংগী, লাবা থিযাংথোকনা লমহৌরকপা, খোইমোম যাৱা নখোনজেন, লাংবন খোইমু খোন্দানবনা, চেংলৌশকথোং ওইনা ঙাম্ববা, মালেম মপুংলাক হৌরকপা, সনা কোনফুবেল, মালেম লৈশীরককী তোম্নিংথৌ, কোবৌ নোংমদোলগী অৱাং নোংনিংথৌ মচা যোইরেলবা অপোক চাদা লাইহুই হৌবকপা লোইদাম চন্দ্র থাজা পাখংবদা যাহিপপা। লাংবন তৌম্না তৌৱিক লাইবু ইমু মচেং খোমনা থবীশেঙ্গোইরেং অপানবদা সনা তোনৌহুনবা, তাইবং

শ্রীহরি, হে লাইনিংথৌ নংগী নথৱাই অমাং অতা লেতবনা হকচাং ওইৱিবা (পৱমাত্মাগী মশক ওইৱিবা) সৃষ্টিগী মমাংদা লৈরম্বা নংগী নুশাদগী তাইবং মী পুন্নক মথং নাইনা থোরকপা, থিৱেল মতুমদগী মুপা থোকনা চোংথোৱকপা, লাংবন থাগী থোইমুখোঞ্জেনগুম্বা নখোঞ্জেন্না নশক ওইনা ঙাম্লিবা (ওঁকাৱনা শকথোংওইবা), সংসাৱ অসি শেমলকপগী সনা কোনফুৱেল, (ধাতুনা করিগুম্বা পোৎশক অমা হৈগে হাইৱবদি ধাতু অহু কোনফুদা হাপলগা শোদোক হন্নি মৱম অসিনা কোনফু হাইবা অসি ধাতুদগ পোৎশক অমা থোকহন্নবগী মক্ক ওইবা মৱম নি। তেংবানবা অসি লেশেম মুংশেম্বগীহু ঈশ্বৱনা মক্ক ওইবা মৱমনি হাইবদি মাঙোন্দগী থোকথিবা ঙাক্তনি অড়ম্বদি ওইৱবদা চুম্নগী কোনফুগা ঈশ্বৱগা পান্দম্নবদি ঈশ্বৱনা হেলমান্নি হাইবনা সনা কোনফুৱেল হাইৰ্দ সনাগী কোনফু অহুদগীহু অথোইবা হাইবনি), মালেম (পৃথিবী) অসি লৈপাক শীৱকপগী তোম্নিংথৌ হাইবদি পৃথিবী অসি শেমলকপগী অহানবা হৌৱকক্কম ওইৱিবা (লৈশেম মুংশেমলকপদা অহানবদা ইশিংশেমলে—মনুদসু "অপ এব স সর্জ্জাদৌ তাসু বীজমবা সৃজৎ"

থরাই অপকমা পুম্নামাপু লাংবল কাওরেল শনশেনবগুম অপোক-লিছুই নোংদম্বা, নমুপোংশেম্বা, থরাই মীপোকপা লাইয়িংথৌও. খোয়ম সনা নখোংখা থম্বাল লৈকা মানবদা লৌশিং নারা শৈদমপাল, পাইমা শিল্লেরোম্বনা চবে ভক্তাযেৎ, ইযা নাপিচিক, লুরাই শমদোং ফোই, খুবাংচাংজৌ চেপনা লোননা হন্না পুকমজরককে। খোয়ম সনা খুযারেল থম্বাল লৈঙাং লৈগুম্ববু তাংজা লুদা থোংনা তাইবং নোংশা পালগী নমু পোংলমচৎ, থকশি কারলরা খাশি লিকলেং শৈবু শৈওং নাতে চাদা ক্রিথোই থোইমলযাম যাথং থোয়া শমদৎ পম্বুং মিৎতারেং মঙমশোইবা মিৎযেংনা পাংশোই নিকপা লমচৎনা খিজিক্তা তেংথাজরককে।

হাইরি—অচুদগী কোঙ্গোল কোঙ্গোলদগী কংবী কংনাও পোকলে, কংবী কংনাওদগী হুপলা হারা পোকলে, হুপলা হারাদগী তৌজেং তোরা পোকলে, তৌজেং তোরা অসিদ শেমবোং কাইবোংনা পরিংভিংলগা তামথোং মযুংতিং লেমথোং মক্তে ফেন্দুনা লাই সুরা তরেৎকা লাই পাখং তরেৎকনা লৈপাক শীদুনা শৈশেম সুংশেমই) গুরুশিদবগী মচা অথোইবা মাঙোন্দগী তাইবং মী শমথরকপা থাগী মশক ওইবা পাখংবদা য়াহিপক্ষম ওইরিবা (পাখংবা হাইবা অসি থানি, মতোক লিশিং অমাপানবা অনন্তনি, পরব্রহ্ম নারানদি অনন্তশয্যা চেপই মরম অদুনা থাজা পাখংবদা যাহিপপা হাইবনি) লাংবল বাগী নি থিজববা তৌগী তৌরিব মরুম কুপ্পা লাইনা (বীজনা) হশিং মরিক্তা চংদুন সুমিৎকুম লবদগী নিংথিজনা তোনৌ ঙক্লকপা হাইবাদ সংসার অসি সৃষ্টি তৌবা মতমদা অহানবদা ইশিংশেমলে হশিং অসিদা লাংগা বীজ মকুপ মকুপ চংবদা হশিং অদু সুমিৎক তেজমরুম লংলে অরুংবা ইশিংমরিক অসিদগী সৃষ্টিগী পেৎশক পুম্নমক থোরকই (মনু সংহিতাগী সৃষ্টিতত্বগা মতাং অসিগা চপ চানৈ)। (মনুসংহিতাগী অহানবা অধ্যায়গী শ্লোক ৭—৯ শুবা য়েংলগা খংবিগনি)। লাংবনথাগী শনশেনবনা মানা মানা শোল্লিনা শন অদু হেন্দোকখিদনবা চেকশিন্না হোৎনবগুম তাহব মী পুম্নমককী অপোক অশি নোংদমলিবা তাইবংমীগী হকচাং অমম্বুং থরাই থোকহল্লিবা হে লাইনিংথৌ নহাককী থম্বাল লেকামানবা খুযাদা অঙাংগী লৌশি গুমলিবা তমথৎ চরকপদা ঙাইরিবা বুদ্ধিমু লোমলবা ৱৈনা ইঙবশমদা ফি য়েৎলগা ইয়া নাপীচিকনা, ইকোকতগী শম ফোইনা হন্না হন্না খুরুমজরককে। নহাককী নখো থম্বাল অঙাংবা মানববু ইকোকতা থোংনা তাইবংমীগী শাজৎ মথক্তা লৈবা মীগী মফমদা অসি চৎপা হৌনৈ, মথাদা লৈবা মীগী মফমদা অথুমা চৎপা হৌনৈ হাইবা ৱারম পুম্নমক নাতৈউতৈ চাদনা হাইগদৌবনা হাইদা হাইরোই দৌবনা পংহাই হাইজিন্দুনা অকিবগা লোইননা থজিক্তং ইজরককে।

১। নমুপোংওইবনা—খোংকাপ চৎফম উদবনা শমুখোংকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ, (২) লৌনিংইখৌরাংবগী শমুখুৎলাম তৌইবদি তাইবং লিরৌলাংদা চংখিএ, (৩) মীনম পোংবাও রাতারম্ব নাকোংব্রাপে হাইবদি লিরেলতাংমা লাংনা শিথিনৈএ, (৪) লৌনম হুরানবগী পুকনিং ফমহোং তৌইবদি তাইবং অয়ারাংনা য়েথুনৈএ, (৫) চিরোল পাওরাল তোয়াম্বগী য়াথংব্রাপে হাইবদি মোংবা উকাইরাংনা কাপফৎনৈএ, (৬) চেংলে তেম্বাল য়াম্বগী মিৎয়েং চোইদা য়াম্বদি নাব্রা কোংগোইরাংনা ৎকতা শিনৈএ। (৭) উনবী পুকনিংলোংবা থৌরম মনা য়াম্বদি মতম পাংগনলাংনা ফোইথুনৈএ।

২। তাইবং নিংশাপালগী লাংলোল মথোং ৭ মাদা খোইয়োম লাইগী মথোংজিন্দা শাব্রাহংজৈ লোননা থোংথিংনরিএ। মরুপ ইভুশিংগী থুয়ালৈখোংবু নমদনা মতম পাঙ্গললাং অসিসিংবু করম কোকশিবনো? লাংলোল মথোং তরেৎমগী তাইবং লাংলম য়াম্না শীন্দোকপদি—মিৎমৈ তোরান চোইসালাং, মিৎলুকোনলোই শাজেললাং, ইচুচোনচুপাচুলাং, পাচুচোনজু লৈপাললাং. চিরোল পোংবাও-

১। মথোংথাংফম থংদবা তাইবংমীনা খোংকাপ থাংবদি পুথহুনা তোকই হাইবদি ৎু মাং ব্রাথল তৌদনা চৎলিবা মী অদুদি অব্রাবা নংই। (২) মীগী মপোৎ পামদুনা তোইনা হুরালবা মী অদুদি মশাবা য়োৎহিং থাংবা হৌনৈ। (৩) মীনমদুনা তাইবংমীগী পাওতানবা নাকোংদা অপেবা ব্রা হাইব্রবদি লিচৈ থাদুনা মচিন চুমহল্লি, (মচিল অথুবনা মনম অপাকপা য়ৌনবা হাইবা পাওব্রোগা পান্দমবা য়াই)। (৪) লৌনম তোদুনা মীগী মপোৎ তোইনা মহুব্রাল নিংলবদি চৈজ্ঞা নম্বোমনৈ। (৫) চিরোল তৌদুনা ওইদা ওইদবা ব্রা ঙাক্তা হাইব্রবদি শোইদনমক কোংদৌরকই। (৬) মমিৎ য়াম্বা হাইবদি চোইথোকপা মীদি ইকাইবা নংই। (৭) পুকনিং লেগুদুনা থৌরম য়াম্না পাম্বা মীদি ঙমফদবা মতম্না লাকচদুনা তোকই হাইবদি থৌরম য়াম্না পাম্বা মীদি থৌরম অমতঙ্গ পাংবা ঙমহৌদনা পুনশি হৌখিবনা হান্দুনা তোকই।

২। তাইবং পানবগী থুদি চেনফম মথল তরেৎমক অসিনা খোইয়ুম লাইগী থোংজিন্দা বাইথুশো লোনবগুম লোন্দুনা থোংথিংলি—হাইবদি মাসি থাদোকপা ঙমদ্রিবা মী অদুদি করৌঙৈদম্ব লাইগী থুম্না ফংবা ঙমদে। মরুপ ইবুঙোশিংগী থুয়াথাদা চংজবা নত্তনা

রাতালাং, নাকন পাওখিল হোইযা লাং, খুযালোল হাই খংদালাং, হরাও পাওতোইলিবৌলাং, মুংশিলৈনম চুশিললাং, য়াথং থোইয়া শমদৎলাং, চিংগোইপাওনম হোযা লাং, শবি পাওওন লৈশোম লাং, ফৎতা যাইবী শিখিলাং, চান্নযৈখাই পাওখিল লাং, কনজাও কোললোই মীকিলাং, চিবোল মীরেল চোইশা লাং, খুৎপাই শোকফম খংদলাং, শাগৈভাইবি যেকনা লাং, লৈখা কোমপুৎ ভস্থা লাং, থকশি কাবল যৈখাইলাং, খাশি থৌজাল তম্বা ইওন্থা লাং, শমু মাংলম শোথা লাং, তুংলম তিমেল তাপাললাং, নমুতুনা কোঙ্গাই লাং, শিনা মীনম লাং. তাংজা ইকাই খুখিলাং। লৌশিংমীনম লাংথাকপা তাইবং নিংশা পালগী থৌরম অপৈবা কোংগোই লাংথুযাম্বা শরাই লিস্থকপা অসিবু নমু পোং ওইবনা লাংশক চেংলৌমিৎথিৎলুদে। অসি থুই হাইবা খংদবগী চেংলৌ মিকুপ হাংদনা লাংথুনরিএ হাইদরবা? শরালাংলি কোমনবা মরুপ লেংতিন তমথেনে।

মতম লৈবা থৈবিক্তা মপাঙ্গল কল্লবা লাংফমশিং অসি কাকনবা পাথৈ লৈ'ত। লাংলোল ত'ম্বৎ অসিদগী লা'লম অতৈ অ'ত শিন্দে রকপদি:—য়েংলোই দাবা য়েংবা, য়েংগদৌবা য়েংদবা, মুংশিরোইদৌবা মু শিবা, মুংশিগদৌবা মু শিদনা মীগী চিরোন থাজবা, মীগী পুকখিল চানব, তুংদা মীনা লোম্না কন্নি হাইনপদগে হাইবা খংদবা, থোইনমক হরাওবা, থ ইনমক মুংশিবা হাইবদি পোৎ অমা অদুনত্রগা কন্নিগুম্বা হিন্নম অমা থোইনমক পাম্বা, পাওতম্বদা হেনগৎনা অদুনত্রগা হম্বনা তম্বা, তৌরোই'দাবা থবক্তা হোম্না ফবা, শন্নিশোন্দুনা মীবু থাজহন্নবা হোৎনবা, পুকচেল ফজদদুনা মীগী মরালত্তা থিবা, পুকখিল পাওথিনদুনা মীগী চান্নবা য়েখাইবা, লাংহেৎ থো হৎতুনা মীবু কিহনবা, নত্তবা রা শীজিনদুনা চিরেল'তৌবা, পাইফম শোকফম খ'দবা হাইবদি তৌবা য়াবা থবকনি নত্তে হাইবা খংদবা, মাগীমাগী শাগৈ নাইতেগা য়েকনবা মপাচাদবা থবক তৌবা (ইঙ্গৎয়েংদবা) মথককী অহনদ চৎকদৌবা শাজং খ দবা, মথাগী মী লোইনবা হৈতবা মা'দা খুদোংথিবা লৈবা য়েংদবা, তুংদা থোককদনম্ব উদবা, মীহেক মা'ননা তৌবা, মীমাংনমবা মীনম্বা, ইকাইবা নংবা। রাথল থেনবদগী থোকপা অসিগুম্বা থরাই পুন্নবগী মশক ওইবা লাং মমাম অসিনা তাইবং মী পুমনমকপু মিকুপ পুজা হাংদনা থুহল্লি। লাংশকথংবদনা অসিদা থুরে হাইবদি থ দে। হাইরিবা লাংশিং অসিনা কন্না পুন্দনবা মরুপ তিন্নবনা মস্তিক ওই।

৩। ঐনে ময়াই কাবদি ৱাংলৈ য়ুবু হেলএ, থকফরোইএ, য়াইবি ইংনা চেনফরোইএ—কোল্লোইচমনা থাহৈদে। নমুপোংওইবা পুম্নমকপু থৱাই অমতনে নিংঙৈনে, তাইবং মীবু ওইনা পোক্লবা ইখোইবু খাচংথৌনি ৱাৎপা লোনজা লনথোই তানফং দরবগী লাহান লাংওন মপোক অমরককী থৌরম মতৌ মতৌ শিংবু ৱারম মতৌ খংলুদে ; হন্দক লাংওন অসিগী ৱারম মতৌ খংদে, থৌরম য়াংগোইরিবস্থ কদাইনো ?—য়োইমময়াই তাওদলবদি কোরৌ স্নুমিৎ তরেৎমদা হন্না হন্না মতেরকএ, থবীলোইতাম্বনা থাজা তরা নিথোইমাবু তেনা তেনা মহললকএ, লাকহৈ কুমমপানা লাকলেন কিশি মতাইশিল্লকএ, পুনশি ইৱাল লৈদি অৱাংশরু লুতোং লৈস্নং হনবিদে ; থৌদুফেংনা-স্নুংগুম মতুম শিল্লকএ, থাংলেন শুনা মনবগুম মথৌ মরৎশিএ, তাংজাগুম মকু হুফদা, লিলাগুম ময়াং শিৎফদনা পানবা পুংনে। নিংমৎলংহুমনদি মশাং লৌএ, মাংইন লমদাংনদি মতেন শিল্লকএ। পায়োৎ কোৎফমথিংগুম পুনশি চেংজেন ময়েং মতাথিএ, য়োইময়াই তাওদনববু স্নুমিৎ খুজেংলাকনা থৌখাম ঙমদা, লোইতাম থাজা পাখং ববু থাজা খুৱাং কোননা ঙাকচা ঙমদবগী তাইবং নমুপোংওইববু

৩। ঐমঙাইরে হাইনা ময়াই কাবদি য়ুবুহেনবনি থক থককস্থ। অহুম ওইনমক পুকনিংদি হাকনমক হন্থকদে, নমিংস্নং চমনা থাগস্থ। তাইবং মী পুম্নমকপু থৱাই অমতনি হাইবদি চপ মান্নে হাইনা নিংগনি। তাইবংমী ওইনা পোক্লবা ঐথোহনা থাজংথৌনি ৱাৎপনা স্নুঙাই য়াইফবা ফংদে, নহান অমুককী মপোক্তা কন্নি থোকথবগে হাইবস্থ খংদে, হন্দককী মপোকতস্থ কন্নিথোককবা হাইবস্থ খংদে, থৌন্নম পুম্নমক নোংদমইবস্থ কন্নিননো হাইবস্থ খংদে। স্নুমিৎতি চয়োল তন্নেৎমঙা হন্না হন্না মথোন্নকই, থাস্থ থা তন্না নিথোইমকতা হন্না হন্না মথোন্নকই, চহিস্থ অমা হৌথগা অমা মন্নাকই, তাইবংমীগী পুনশি অমস্নং হকচাংদি হৌথ্রবদা অনুক নৌহৌন্নকপা নাইজ্রে। মাথোই অসিদি থাংফেংস্নুংগুম থন্ন থন্ন ভুমশিল্লকই। থবক শুনবা থাংগুমা মথৌ হল্লকই। মথোই অসিদি লিনগুমা মবুহন্নগা নৌহোবা য়াদনা লৈন্নিবনি। তুংলোমগী লংকমনা মশাং হৌই মাং লোমগী লমদাংনা মতেল লকই (তুংবু লংহমগা পান্দমনবদি লংহম হাইবা অসি ফি অহুনা শাবা লোইজ্রিবা ফাওবা কান্নমই ফি শাবা লোইন্নবদদি মাগী কান্নবা লৈজ্রে অহুগুম্নহুনা হৌথবা পুনশি অহুদি অমুক শিজিন্নবা য়াদ্রে) কৌপেকথোকথগা

হম্নুকুরুকচল, মাললৈ য়াংনা ওন্থোকখিএ; মশিংশিৎনা ফোইরৌকাদা, খাং নোংজেংলাও, য়াংলেন লুচাওখোই, য়ারেল মথৌকুম, খোংফাং-মঙৌচি, চৈরুং ময়েংতা মিৎমৈ পোরোমশুম, লাইরেল হৈচুমশানা চেংলৌমিৎফম কুৎ, নমু শকখংয়োল, খুদোল হিখাওশা, খুদাংশাক্তে-তাও, শমুখোংকাপ অথাং খুদিংবু লৈতোই খুদি য়াম্না চেল হকচাং মঙম চিশিল্লকএ।

৪। ৰাবম হাইদোকখিবা খুদিংদা চেংজেন ময়েং তাখিএ। পুনশি লৈচং কাওশিল্লকপা অসিদি উনবি পুকনিংথুংনা শংলৌ থৌরাং ঙমতমফদা নহা অহল ফমফম পরেং শিনফদনা পানবা পুংনে। পুনশি ইৰাললৈ অৰাংশরু লুতোংলৈদি থমনা লাকোন লুরোইথকতা লাইজা লিকলা খকমদবা তুগুম্বনে। থৰাই লিকলা মিকুপনে,—মালং নুংশিৎকনবদা শুমাই লাকং পাইবগুম পংনা য়াংগোইরিবা নঙাইএ। থুনবী কাপতিংচা কাপতিং য়াইথংচানা লাংনা মতানবা নৌবী খুদিংদা কাককৈ চিঙ্গৌই চন্না থুনবী পোৎলুম্ খাংলবগা কাককৈ ফমহোংখিবা তুগুমবনে। থৱাই পোললিৎখিববু শমুথুৎনা লাকনা থোখাম

--

কোৎ ময়েং তাবঙম পুনশিন্থ থর থর ময়ে মতাৱকই। নুমিৎপু খুজেং লাকতুনা থাম্বা ঙমদবা থাবু মথা কোনদুনা ফাবা যাদনগুম তাইবমীগ্থ থুনা হম্নু কুরুক চলই। মথং মথং থাম্বা য়াদবনা খাং শোল্লকই মনম পোল্লকই, য়া মথো কুমলকই, থুয়া মঙৌ পারকই চাইরুং চপশিল্লকই, শুমদোকখ্রবা হৈঙুম্না মিৎমৈ থুইরবই, মিৎফম কুৎলি—ময়ম অসিনা শকফম হোংলকই, খুদোল হিখাও শারকই খুদাংগী শিংলি পুম্নমক তাওথৎলকই, খোংকাপ অথা খুদি গী খুদি চেল্লি, হকচাং ময়েং তারকই।

৪। ৱা ঙাংথোকখবা খুদিংদা পুনশি ময়েং তাখি। পুনশি লৈচং কাওশিল্লকপা অসিদি মানা মানা নিংবা মপুকনিং থুংনবা থৌরাং তৌহোবা ঙমদে, নহা অহল মথংশিন্নবগ্থ য়াদে হাইবদি শিবা হাইবা অসিদি ঐনা তৌনিংবা থবক ৱাৎলি শিখিরোই হাইবগ্থ য়াদে নহা ওইরি অহন্না হান্না শিসন্থ হাইবগ্থ য়াদে। পুনশি অমম্নুং হকচাং হাইবা অসিদি থমনা মথক্তা পকপা ইাশ গুম্বনি। লিকলাগুম্বা থৱাই অসিদি মিৎকুপ অমত্তন শুমাংদা তাবা লাকংবু নুংশিৎনা পাইথোকখিবগুম্বনি—হাইবদি শুমাংদা লাকং তাববু নুংশিৎনা ইৱাই লাইনা খ হৌদনা হুমদোকখিবগুম থৱাইস্থ হকচাংদগী কৈদৌঙৈ চৎখিগনি হাইবা তম্বা ঙমদে কাককৈনা নাপী শমনগী নাপী অমদা লামখিবগুম্বনি,

ফৱোদে। লাইজা কোংগোল তাকপা গুম্ববু খংলোদনা পানবা পুংনে।

৫। তাললোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পৃজাও রোইবা পুন্নমাস্তুং অমল য়াইথোংকুম্বদা ৱাইরা লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনখিদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা— ৱারমসনা মৈথাংবত্থুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ে হিগা ওই, লমলোই থৌদাক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোম্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ।

৬। চীঙু নোংদমখোনবু অমাতৈনা লৈতে, কুমার ফুশবনা মালেম লৈফু শাবগুম মহাক মতোম মতোম শংলৌ থৌরাংজবগী তৌজা মতিকমন অফফৎতা মহৈ (তৌচপ্পা) য়ানবনা হয়েং মপোক লাংওন অমরকতা চীঙু মরাইবককুম খোইমোম লাইগী নোংদম মহৈবু মওইনরিএ। লৈতাং পোম্বি চেককুরেক অঙৌবনা পোম্বী খোংনা হৈনা চেকলা মপুক থননৈএ। ঙাম্নু খেরে চিনবাকপী চানা শাৱাচিম্না হৈনা চেকলা মপুক থননৈএ। নমুপোং ওইবনা মানা মানা

থৱাইনা হকচাংদগী চোংথোকখিবদি থুৎনা ফাদুনা থাম্বা য়াদে কোঙ্গোল তাকখিবা খ হৌদবা গুম্বতনি।

৫। সু শিনবা মতু, মচা সুপা সু শিবা, মচাসুপী তচানবী, মরল মথুন য়াম্না লোইবা পুন্নমক অ'স শিবদা লমজেনফিগুম লোইদুনা পুখিদে। সনা মৈথাবা গুম্বা গুরু মপাওতাক নামপ্রকাশ ময়েক অহমতনা হিগী মশক ওই, মক্কপ মপাগী থৌদাকনা নৌ ওই, অচুম্বাৱা হাইবনা লনওইদুনা মানা মানা নিংবগী মতুংইন্না অমুক পোকখি। মরম অসিনা গুরুগী সনা থুয়াদা নোম্নকনবগা লাইননা লনথোই তানবদা থিনফরোই (লাইরেক ফরোই)।

৬। লাইগী নোংদম হাইবা অমা তোঙান্না লৈতে, থৌবানদোং চফুশাবনা চফুশাবগুম্না মানা মানা তৌজবগী মতুংইন্না অফফত্তা মহৈ য়াম্লি: অদুগা মপোক অসিমদা তৌখিবা অদুনা হয়েং অমুককী মপোক্তা মরাইবক ফবা ওইনা পোকতুনা লাইগী নোংদম ওইনা থোকনৈ। লৈতাংপাৎতা তাবা উরোক অঙৌবনা মখোংনা মচিনজাক থি, ঙামুখেরে চিনবাকপীনা মচিন্না মচিন জাক থি। তাইবংমীদি মানা মানা তৌজবগী মহৈতনা

নিংবা থৌবমনা খোইমোম লাইগী নোংদম মহৈবু ওইনরিএ। পুকনিং লাইরেক চনফরোইএ, উনবি অতল নাইফরোইএ। লাইজা লিকলা থকমদবনা মুক্তা পুলাং লুরোই থনজিনলকপা তুগুম্বা. থৌরম লৈবা খিবিক্তা খারা খিজিক হৌনা উনবী পুকনিংমপাক লকএ। খোযম লাইগী নোংদমবু লৈএ হাইইগীদি শাইগং লৈহন কিদনা মীকাই কনা খুবাললবা? মুজামথংখননা থংলেন মরাল ঙাললিবিবু মুংওন পুকনিং ফৈনা মুননা মীফাইকৈদোংলবশিংবু খোযম নোংদমবনা নহাতৌঙাই নবমচৎপু নত্তে হাইনা নহা শমু খুজেং লাকনা থৌখামফদে।

৭। কোবৌ নোংজাখুদিংবু তৌজামতিক শিংথা রৌএ। রারম অসি খংবা খোযম লাইবু নিংবা চীঙু লাইবকফবা, হন্দক অমম থংলবা, লাইবক খেল্লাই মুৎলবা, যাইবি থরাই শেংলবা, হাওনা শংলৌচমফুৎ চারবা, শেংনা চরৈফদি শেৎলবা, পামিংনবা মীরেল হুক, মীরেল তাইবং যোইথুমচাক, থবা কোরৌ নপারমদি হুল্লাল্লবা, পামেল উনা খাংবা পান্দমগুম কোল্লোই মিংথিবসুং খংদরবা, যাইফ মথোই তোংইগীসুং নাইদরবা। চেংলৌমিৎত্রেং অপানবদি কুরাং শউনমিৎনে। অপাম চেংলৌ মিথিৎলবদি যাইবী শিথিমিৎনে—থমোই

লাইগী নোংদম ওইনৈ। পুকনিং লাইরেক ফদ অতনবা নাইফদে, ইশিং মরিক মরিক তৎতনা তাংনা মুপীগী কোকথা ফাবা পুনজাওস্থ থল্লকই, অদুগুমদুনা থবক পুম্নমক্তা থজিক্তদগী হৌরগা পুকনিং অসুম পাক থোরকই। লাইগী নোংদম অমা তোঙাম্না লৈ হাইরবদি শগুন তৌবা কিদনা ফত্তনা কনা হুরালগবা? মরামপুরোইবা লৈরিবী অমস্থ মপুরোইবা চাকহেন্নরিবীশবু কনাগুম্বনা ফাগী জুগাই তৌরবদা নহা মাদু হৌনদবনি হাইদুনা লাইনা মথুৎলাকতুনা খাম্বিবরা? হাইবদি লাইগা নোংদম লেহাইরবদি নত্তবা থবকতো হাইদুনা লাইনা ইশিনবদি হৌনদবনিনা হুগ্রাননা মীবু অমস্থ মরালৈবা মুপী লান্নবা মীবু লাইনা থাম্বিগদৌবনি, মাদু কদৌঙ্গেদস্থ তৌদে।

৭। ঐনা ঐনা তৌরনা থবক অদু মুমিৎ থুদিগী শীংথা হৌই। রারম অসি থংবা লাইনিংবা লাইবকফবা মপোক অসিগী অমম্বা থংলবা লাইবক খেল্লাই মুৎলবা হাইবদি লাইবক অফক্তা পুম্নমক কোকলবা পুকনিংশেংলবা চমফুৎমক্তা ওইরবস্থ হাওনা চারবা, ফদীমক্তা ওইনথু শেংনা শেৎলবা, মপাঙ্গুম্বা মীবু অথোইবা মীনি হাইনা নিংবা অদুমদি

লাইমিৎ অরাবা উনবী লিয়েৎ মুংওনমিৎ, কোরৌমরোল ফাওনা মিৎনে। মাইগৈ মবিমা, চিথেক নিপালমা, সুংদাই তরাতরুকমা, শিংগাই হুমফু মাথোইমা উনা মিৎনে, মালেম নৈখাতুনা মাইগৈ মথোংশেন্দনা উনমিৎ, চীঙ লিয়েৎ মুংওন মিৎনা লিকলি তরৈমুং-গুম্বদা চংনা মুঙাইনরচশিংগীদি কোরৌ নোংজা খুদিং মরূপ ইঙোশিং-গীদি চীঙ লাইবকফবা মশেলবু লমলোই লেংতিম্ননা য়াইবী খোংহৌ ব্রাইথুংফম কোরৌ নোংজা খুদিং চীঙ লাইরিক হৈবদা কোরৌ নোংলেন নখিএ—য়াইবী লম্থোই চাওখৎনৈএ হাইদবরা ?

৮। নমু পোংওইবনা খাজংথৌনি ব্রাৎপনিকিনা খোয়ম নোংদম খোলবু নোংদম পাংথক মান্নবা খাজিকএ। নোংদম মান্নদবগী য়োইময়াই তাওদলবনা নোংথিল চেংলৌ মিৎ ওইনএ। লোইদাম থাজা পাখংবনা অহিং লিকলাং য়াইমরুবু ওইনএ। মুমিৎথা অনিমাস্থ লান্নবিদে। য়াওরৌ শাদুং লুচাওবনা নোংশা নাকতা পকপিন্দে, মুকমু হাইমৈ চোনবনা পানবা মনম তানা শোংকিনৈএ। চিবা মৈশাংবনা পানবা লোইনাই মনিংলোন চিবা শরাককনবনা

ওইরবদা তাইবংমীগী লুনা তৌনফমগী ওইরিবা চাওস্থ চাওরবা মপামপুবু তাথিনা হাইরবা অমস্থং মমিংথিনা ঙাংনরবস্থ উনা খাংবগুম খাংলবা হাইবদি অশাওবা নৈত্রবা, য়াইফরি হাইবগীস্থ নাপন তৌবা লেত্রবা, অরূবা মিৎ অসিদি শউন কুরাংবাননা শাবা মিৎনি—অপাম্বা পোৎ ডরিবা মিৎ অসিদি থব্রাই মাংনবা মিৎনি (হাইবা খংলবা) অমস্থং থমোই মনুংদা লৈবা ামৎ স্বর্গ মরে লফাওন, উনবা মিৎ—মাইগৈ মরিমক চিথেক নিপালমক শংদাই তরা তরুকমক, শিঙ্গাই হুম্ফু মাথোইমক উনবা মিৎ, লৈপাক মথা ফাওনা মাইগৈ মথোং পুন্নমক চিথদনা উনবামিৎনা লিনা তুম্বা শীবগুম লৈরিবা লাইবু লিকলি মনুংদা লৈবা পোৎপু ইরংলংনা উবগুম উববা মীশিং অদুদি মুমিৎখুদিংগী মরাইবক ফবা মশেল মরূপ ওইনা তিন্নদুনা থব্রাইগী হৌরকফম অমস্থং ব্রাইথুং ফমবু (থিবদা) মুমিৎ খুদিংগী লাইরিক হৈবা মশেল তিন্নদুনা নোংলেননৈএ—থব্রাইগী লনথোই চাওখৎনৈ হাইদব্রা ?

৮। তাইবংমী ওইবনা নিজ হাইজবা ব্রাৎপনা লাইগী নোংদমু পাংথকনি হাইনা খল্লি। নোংদম মান্নদবনা মুমিৎনা মুংথিল মিৎ ওইনৈ থানা মুমদাং ঙাননৈ। মুমিৎ পা অনিমকস্থ থক ওন্নবিদে। শামু লুচাওবনা নোংশামনাক্তা চংবিদে। শন্নাকৈ মনম তাবদা কি। উচিনা হৌদোং শান্নাকহৈবগী মনাক্তা লৈবিদে। লিননা উচেককী

ফমলেল লোনকোই হৈরবগা লৈবিদে। তাংজা লিলাথিনা গরুড় চেকনিংথৌদা চাইথোকনৈএ। চানামতৌ অমদি লাইজা ইরিকলাইগা খাম্বিমৈত্রেং অরাবগা চুশিননৈএ। পোম্বী উচেক পুম্নমনা মালং নোংশিৎ অকনবদা পাঙ্গন চৈশৌ ওইনৈএ। লেমলৈ অপকমানা লাইজাই রেলপুংবু মরাল লোনযুম ওইনৈএ, লমলোই থানবিদে। রাগা উগা শমফদে, শাগা ঙাগা থোংফদে। চানমতৌ অমদি তাওজিং হৈনা শিল্লবস্নুং, নোইস্নু থুমবু হাপলবগা, উনবী পুকনিং থুংনা চাবস্নুং য়া কুমদে। পাখং শিঙেল লৈপাম্বা, মুরা তাওজিং হৈপাম্বীগা অনিমাস্নং উনবী পুকনিং নকনা, পাইমা থৌকাওনদনা মুংওননখিএ।

৯। মানা মানা নিংবা থৌরম অমদি—য়াওরোশা, পোম্বি উচেক, পামেল উরা; খোইমা নাপীশিংবী, শিঙেল লৈরম অয়াম্বা, লেমলৈ ঙাথৌয়াং মকেহাথরুকশিংদি লহান লাংওন মপোক খুদিংবু য়াওরো মশক হোংলকতে। পামেল থুমনা পালবনা থুমনা মপাললকএ, হৈরাং খানা পানবনা খানা মপাল্লকএ, শিঙেল লৈশক হোংলকতে, লৈরাং মনম ওল্লকতে, লেমলৈমশক হোংলক্তে। তাইবংনমু পোংওইবা ইখোইদি চেংলৌ শকস্নুং পাইমা লিংজেনস্নুং হোংনা হোংনা মাওল্লকএ। চীঙু নোংদম মথৌথাবু নোংদমমতুং ইল্লকএ। মাগী মাগী নোংদম মহৈনা পাইমা লৌশিংথোই, মকোই পাওনিংশিংববু

।নংথৌ গরুড়গী মনাক্তগী চাইথোকখি। পান্দম অমদি মৈগা ইশিংগা চুশিননৈ। উচেক পুম্নমকনা মুংশিৎ অকনবদা পাঙ্গল ওইনৈ। ঙানা ইশিং অচৌবদা ময়ুম ওইনৈ। মাগী মাগী মপাং থাদোকনদে। রাগা উগা শমনফদে, শাগা ঙাগা থোংফদে। পান্দম অমদি হৈ অশিনবস্নু থুম থাকলগা পুকনিং থুংনা (পেন্না) চাবদা য়াকুমদে। পাখংলৈপাম্বগা লৈশাবী হেপাম্বীগা পুকনিং অমতা ওইনা অকাওবা লৈতনা মুংশিনৈ।

৯। মানা মানা ভৌজবগী মতুং ইল্লি হাইবগী পান্দম অমদি শা মথোং মন্নিপানবা, উচেক, উরা, নাপীশিংবী, লৈ মখল মথা অয়াম্বা অমস্নুং ঙানচিংবগী পোকলকপা মচাশিংদি মংপাক খুদি গী শা মশক হোংলকতে। উমহৈ থুমনা পানবনা থুমনা মপাল লকই, খানা পানবা হৈনা খানা মপাললকই লেশক হোংলকতে, লৈনম ওল্লকতে ঙাস্নু ঙাশক হোংলকতে। তাইবং মী ওইনা পোকপা ঐখোইদি শকস্নু পুকচেল লিংজেনস্নু হোংনা

লৌমাতৈবগী লৌশিং কৈরাক ওইনা, নিংথৌস্না মাংগোল লাংদা কানরকপা অমনে। চীঙু লাইরিক হৈবনা মরূপলেংনা তিল্লকপদা কানরকপা অমনে,—তাইবংনোংশাপান্দা লাইরিক পুকনিং মিৎওইনা, তুংলিমাংলি অনিমাবু ৱারম হান্না খংহনবা অমনে, মরল য়ারাপুজাও রোইবা তয়ম নাইশিবা কাওরেল শনগোনথনবনা, পাঙ্গল চৈশৌ ওইনবা অমনে, হৈজা অওইথি য়ারা ললয়াম লোইবনা, পাংগল চৈশৌ ওইনবা অমনে, ৱাইরা শাথোং অরূম্বা হুয়েল লানথোং অচৌবা, অথম মীপোকপা, অথৌলাঙ্গোললকপনা, পাথৌমমান্নবা লকতা কোল্লোই মমিংচাওনা চেংলৌ মশক ওইনবা অমনে। নমু মীরিল হুবনা, য়াথংৱাপৈ হাইবনা হকচাং মী ওইনবস্নুং য়াওএ। মহৈ লৌশিং থোইবগী নিংথৌ উনবী পুকনিং থুংনা নিংথি লৈতেং পোৎ পুন্নমাবু শালশেম্বা অমনে। খোয়ম লাইবু নিংবা পাইমা পুকনিং চেৎপাশিংনা লৈপাক মরাওইনা মালেম লৈবাক ঙাকনৈএ। তাইবং নমু পোং-ওইবাশিংনা ৱারম খংফাৎমান্নদবশিংনা, নোংদম পাংখক মান্নবা খজিকপগী পাইমা লিংজেন য়াম, চেংলৌ মমিৎ পোইবনা লুমলেন অনিশু তাল্লোই অনি লোনবনা তরাচাকখাং চাএ, চরৈ খোংদাই

হোংনা মপোকলকই। লাইগী নোংদম মতুং ইল্লকই। মানা মানা তৌজরকপগী মহৈনা অথাইদগী বুদ্ধি লৌশিং থোইদোক হেনদোকপা অমস্নুং তমদুনা থোকতবা পাওতাক পীবনা মরোশিংতনা কৈরাক (অচৌবা কানবগী পাদ্বৈ) ওইরদুনা নিংথৌসনা মাংগোন্দা কান্নকপা মীস্নু য়াওই। লাইরিক হৈবনা মরূপ অকবা তিন্নদুনা চাওন্নকপা মীস্নু য়াওই তেংবানবগী মস্নুংদা লাইরিকনা পুকনিং লৌশিং ওইদুনা তুংদা থোককদৌবা মাংদা থোকথ্রবা অন্নিমক উবা মীস্নু য়াওই। মরল মথুম, মনাই মশল মন্নাম লৈবনা মপাঙ্গল ওইনবা মীস্নু য়াওই। লল্লোল ইতিকপনা মরল য়াম্না লৈদুনা পাঙ্গল ওইনবা মীস্নুলৈ। শাকম লানকম অচৌবদা মথৌনানা মীগী মথাই য়াম্না কল্লকতুনা মমান্নবা মরক্তা মমাই-পাকপা মীস্নু য়াওই। মীনম্বা মীবা নত্তবা ৱা হাইদুনা মী ওইবস্নু য়াওই। মরৌ শিংনা-মথুৎ মশা হৈবনা নিংথৌমপুকনিং পেন্না নিংথিজবা পোথলোইলৈতেং পুন্নমক শেম্বা অমনি। লাইনিংবদা পুকনিংচেৎপশিংনা লৈবাকমন্না ওইনা লৈবাক ঙাকই। তাইবংমী ওইনা পোকলগা ৱান্নম খংবা মান্নদবশিংনা লাইগী নোংদম হাইবা অসি পাংথকনি হাইনা নিংবনা মপুকনিং লোংবনা অমস্নুং মমিৎ চোইবনা হুগী অনি লোমদুনা চন্না হেন্নি

শেৎলে লেমলৈ অনি ফাগে থৌরাংবা শমু খুৎহাম্বগুম তোকলৌএ। ৱাকয়ৈ অনি তোংগে থৌদানববু লাইজা ইদা তাবা নংঙ্কেএ। মানা মানা নিংবা থৌরম্বু মদোম নত্তে নিংবগী উনবী ফকমাংননা, পাইমা ইরৈচনগুম ৱাইথুংমফম্বী খংদনা, নোংলেনখিএ। হৌদোং খোংগনবনা তরা চায়াম চাবিদে, য়াংলৈ তুমিন লৈবনা তরা চফু ঙমএ।

১০। ৱারম মতৌ অমদি পল্লেম ইন্নুংশিলয়োমম্নুংগী নাৱা খোইখাওরিদগী সনা লনথোইতানগে, ৱাকয়ৈ হিপোৎ শেমলকপবু পাথৌ মরূপ তিনদবা, মপাগুরু নাইদবা চীঙু লাইরিক হৈতবদি হিজল হিনাও হৈতরে, লৈকুখমথেংয়াম লৈরাই হিফাইচননা ৱাকয়ৈ, হিঙনবনে, সনা ললোল হৈতরে। কৈথেল লনতিক খংদরবগী চোইনৌ সনা মমলবু লিকলি মচেৎলৌনা মতোম হলৱাইরকপা তুগুম্বনে। তুরেল ৱাইখুবীচানা মপল পীশা চাবগুম, শূমদিল লুনাইদবনা মফম পামেল উশা চাহৎপগুম, নোইম্নুথুমজা মাইঙৌবীনা থুমনা মথম্নগী মরা মাংহনবগুম, চিবা মৈশাংবনা ফকলাং. লোনজা থেংগোইবনা য়াৱা পুকথোকফাৎ চরৈফিরাকচংনা মপারি হাথনা, মমোম নাওনৌরববু চরৈ ফিরাকচিকনা চিবা মহুম শানা য়োই ওইবগুম, খাম্বি মৈত্রেং অরাবনা শিংবিমৈহুম থুমনা চাকহৎপগুম মহাক মতোম্মা চাকশিল্লকএ।

মফিশেগাইবা শেৎলি। ঙা অনি অমুক্তদা ফাগে হোৎনবদি মথুৎহামদুনা তোকই, হি অনি তোংগে হোৎনবদি ইশিংদা তাদুনা তোকই। মানা মানা নিংজবা হাইবদি তৌজবা কর্ম্মতনা লাইগী নোংদম ওইৱিবনি হাইবা খংদবগী পুকনিং ইরৈচন্দুনা হাইবদি তৌফম খংদদনা ৱাইথুংফম খংদনা নোংলেন লি। হৌদোং খোংগনবনা চাক য়াম্না চাবিদে, হুই তুমিন লৈবনা চাক চফু ঙমই।

১০। পান্দম অমদি মমাগী গর্ভদা লৈরিঙৈদগী হৌনা হিদিংগা ললোনবনা সনাগী লন তানগে হাইদুনা হিপোৎ শেম্বগুম লাকপবু মরূপ তিনদবা, ওজাগুরুথনদবা লাইৱিক হৈতবা শিংদি হিহোনবা হৈতবনা লৈকুলৈৱাইদা হিথেংদুনা লল্লোনফম খংদদুনা তোকই। কৈথেল কারগা পোৎ তিকনবা হৈতবনা সনাগা মমল পীরগা লিকলি মচেৎ পুদুনা লাকপগুম্বনি। অসিগুম্বা মী অসিদি তুরেলগী ৱাইথুমচানা মপীগী মশা চাথোকপগুম, মরুময়াং পান্দবা শূম হাইবা তিননা মানা তোংলিবা উ চাহৎপগুম, থুম অঙৌবনা মাবু

১১। নমু মীতমথি পুকনিং মকিং নাইবা, শাগৈ ভাইরি খংদবা, ঐনে ময়াইকাবা লৌশিং কোনশিন নাইবা লৌথুপ রাপৈ তাইবদি য়াংলৈ তাওবা কংডাও হুইনা তাওবা মপু চিকপগুম লিংজেন শোকচং ভাওচংনবগী লাংলেন মথননা থাকপা য়েকনা শাজেল লাংদা মতোম যাইবী ডংশিনৈএ। তৌইগুম পুকনিং অথাকাইবা লমচৎ যাংমন কাইমনবদি মাংশোক মথা ফমদা হনথনৈএ। উনবী পুকনিং তপনা তাইবং অযেংকাইবদি পুনশি চেংজেল মতোল লোমনা ফমলেন লুচিং তালফংএ। তাইবং মী ওইবনা কোলোই অমেংবা, যাথং অনোনবা, রারম অওকপবু রাচুম চৈরোইনবিবদি চেপশি পুন্নপয়া অমেংবনা শীংজা পোৎখোং লাকপগুম লোলালেম য়ুমশা ডমএ। শঙ্গাই যাংনম অপিচানা খুৎলাই শিনজরুক নিংথি লৈতেং পোৎ পুন্নামাবু শালশেম ডমএ। কাটি লাংশোই অপিচানা লাংগোই চকচাওববু শামু মরিল ডমনৈএ, নমু মীরোল ইলহলএ। কোবৌনোং শগোলসুং লাংগোই খুজারি কোনজন চুমপুনলিনা শগোল মবৌ নাইহন্দে, মানবীচক লৈকাও কাওরেল লেংবা শলসুং হুইতিকা নিংলমথিননা খালৈ মডম ফংনা লৌফাৎনৈএ। মোমন্সু মুজা

য়ামলিবা থুমনা চাতৎপ্ুম, অদুনত্রগা উচিনা উপুমসুংদা চংহুনা ক্ষিমরক্তা মহুম শাহুনা মচা পোকনরবসু মহুম ওইবিবা ক্ষি অদুবু চিকথৎপগুম অমসুং মৈনা মাগী লৈকম ওইরিবা শীংবু তুয়া চাকথেকপগুম মশা মতোমদা চাকথৎচৈ।

১১। ফত্তবামী পুকচল চুমদবা, শাগৈনাতৈখংদবা, ঐমভাইবে হাইনা নাপল তৌবা মপুকশে দবা, মীনয়া রা হাইবদি হুই অভাওবনা মপুচিকপগুয়া শোকচং ভাওজংনবগী হৌনবা মথন্না থাকপা য়েকনা লাংদা মথন্না থুজবডম মথন্নাইমাংহুনা তোকই। তৌই-গুমসু মপুকনিং তপথদবা মপুক য়া বা মীদি থুবম অপিকপদা হন্থে। পুকনিং তপপা অথাং কনবা মীদি মপুনশি মতোললোম্বা ফাওবা অচৌবা থুবম ফংবা ডমই। তাইবং মী ওইবা ঐখোইনা য়াথং অমেংবনা নোল্লুকনবগা লোইননা অওকপা রাবু চুয়া হাইরবদি চেপশি পয়া অমেংবনা শীংজা পোৎখোং লাকতুনা য়ুমশাবা ডম্বগুয়া থবক পুন্নমক পাংই। শঙ্গাই অপি শকনা নিংখিজরবা লৈতেং অমসুং খুৎলাই শিলুকনচিংবা পোৎপুন্নমক শাবাগুম্বনি। কাটি লাংশোই পিশকনা শামু অচৌবগী মরিলতকপা ডমহুনা তাইবং মীগী মীরোল ইলহনই। খুজিং কোনজন চুমুলিনা শগোলসু মবৌ নাইহন্দে। শল পাবোৎ লাকপা শমপোৎ

ওইবিশিংবুস্থুং থংলেল লাইওইননা খাচং যোইনা হৈরবগা থংলেল মপুরোইববু শমু খৎথুমচননৈএ —উনবী পুকনিং ফমহোং লৈখিদে। রাচুম অনোনবনা মচি লন মব্বু তাল ফংনৈএ। রাশোক মীমাং ফমলুদে যাইবী শিথিলাংনা থুঙমদে।

১২। রাবম মতৌ অমদি পানবা কৈনা যাংগোইফমদি খোইমা লাংবানচাও নাওহিংশানা লোনবদা কৈরেল মরাংকাইনা যাংগোই. রারম অসি খংবা থকশি খোইমোম লাইওইনা খাশি পারি লাংগোই তমগুম চাননা পুকমানবনা খৌবম পুকমান্ননা উনবী পুকনিং মপাংলকএ। থককী য়েংনা রারকনা খাগী যেংনা রাতেমনা, য়াম্মা ঙাইবদি লাফুৎ লৈনা থা, হেবু ঙাইবদি ফিবুল লৈনা থানা যোইচাললো। যাম্মা থৌশি খোলগী শমু খুযাপাৎ খুবাই মতু কোকনা অরাহকশোক লাংলবস্থুং তাংজলুতুং পাৎনা অহল য়ুমলৈঙাম্বদা কোলোই পাওতমনৈএ। অরালমন তৌফদে মচা সেবক নাইদবা গুরুকোলোই মিংথোংবু কনা থোলবিগবনো? য়ুমনাক্ চাদা যামদরবগা পিবা মবাং কাইদে। মরূপ লেংতিন্নববু নৎতনা কবি লেমজা লৈতে। মপাগুরু নাইদরবগা তুচৈএ। রারম অমদি মরাল লোলয়ুম য়ুমবু যেংনা রাহাইঙৈনে, তাংজা লিলাথিবু শিহনবা, লাংলেন

খোইনবা শাস্থ ছুইদিকা পিশকনা থিনড়না মঙম থু না লো ফাৎনৈ। স্থপী ওইবীশিংস্থ মপুরোইববু লাইগুম্না নিংহুন্না সেবা তৌবা হেববদি মপুরোইববু থুহুমচন্না পানবা ঙমই— মরামপুরোইনবগী পুকনিং হো থিদে। 'নাল্লুকননগা লোইননা অচুম্বা রা হাইরবদি মক ওইবা লনবু কংবা ঙমজে। মীমা ফমহুনা রাশোকনবা লৈতে অমস্ত থরাই মাংনবগী মশক ওইবা লাংদস্ত থুবা ঙমদে।

১২। পান্দম অমদি কে লৈবা মফমদি নাপী শোংই নাহুঙ লোন্দুনা লে মরম অহুনা কৈস্থ মরাংকাইনা লৈ। হাইবদি নাপীগী মপান কেনা তাংই কৈগী মপাল নাপীনা তাই। রারম অসি পংহুনা মথককী মীবু লুনা নিং, মথাগী মীবু মচাগুম্না চানহুনা পুকচেল খোইচেল মান্ননা লৈরবদি থৌরম পুম্নমকতা পুকচেল মান্নবনা চাওখৎলকই। মথককী মীনা রারককনি মথাগী মীগী মরা লোহুনা রা লোইগনি। মযাম্মা ঙাইবদি ফক থাড়ুনা ঙাইগনি অঙম অথৌ ঙাইবদি ফিদা থাহুনা ঙাইগনি। মথককী মীগী পাখোল চৎপদা থুয়া পাৎলবস্থ থুরাহমতু কোকনা চৎতুনা অরাবা নংলবস্থ লুগম পাৎনা

কোংয়াং ব্রাচৈশুবু তেকহন্দবা খোইমোম কোলোই মামং খোংবু মিংলেন শিদববু নিংজরিবা অদুশিংগী খুয়ালৈখোংখাদা পুকনিং হলথোক নাইদনা য়াইবী খোংহৌ ব্রাইথুংফম খোয়ুম লাইবু নিংবদা উনবী পুকনিং তনফরোইএ। লিলজেন মতুংইন্না চান্নৈগেনে।

হিপ্তুনা লৈবা অহনদা পাওতম্বা হৌনৈ হাইবা থগনি। অব্রামন থোকদে পোরব্রা নাইদ্রবদা কনানা ওঝা হাহবা মি থোন অসি থোনাবিগবনো? য়ুমনাক শাগে চাওদ্রবদি পিবা চাওজবা ঙমদে। মকপ লেংতিন্নদবদি লেখা লৈতবনি। ওজা নাইদবস্থ মীনা তুককচৈ। ব্রান্নম অমদি মযুমগী যে না হাইবদি মন্থুংগী ব্রান্নম পুন্নমক য়েংনা ব্রা হাইগনি। লিনস্থ শিহনবা চৈশুস্থ তেকহন্দবা লাইগী মম্নিংবু শোল্লিবা মীশিং অদুগী খুয়াদা পুকনি চেৎনা চংদুনা থব্রাইগী ব্রাইথুংফম ওইরিবা লাইবু নিংবদা তনফরোই। পুকচেল লিংজেন তিন্নবা যে দুনা চান্নগনি।

ৱারোই।

নমু পোংলমচৎ থকশি কারলৱা খাশি লিকলেংশৈবু লাইরেল মৈদিঙু শ্রীশ্রীযুৎ জয়সিংহ বৈষ্ণব লাইপোক শংশংবা ধৰ্ম্ম অতিয়া নিংথৌরেল, বিচার ৱাথিনবদা পণ্ডিত মুপা থোকপা জ্ঞান চৈৱোইনবা ধৰ্ম্মচেংলৌ শকওইনবগী শাহেবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুম্নমাগী পামেল কল্পতরু উপালশিদবা য়েনগুম পুকনিং হৱাওফম্মু ওইনরিবা শ্রীশ্রীবিষ্ণু হুয়ামলকতগী অমৃত শিদা য়েনগুম্বা, চীংলাই শাফুনবা, হেরাচিংবা থাংগুম্বা নিংথৌরেল, কোইরেল কম্বাল তোংবা লোইবী খোংজাই ঙম্বা, হুয়েল খম্বা ফাবা নিংথৌরেলনা কোইরেল ফম্বাল তোংবা লোইনাই কৌবা চীংথংখোম্বদি চোইনৌ সনা ফংকোৎ য়াইৱংচালগুম মিংলেন মথোন তৈনা তুবি মুংনাং খোম্বনা লমলেন মদাইমা তাইবী লাংথবাল থোংজু ৱাইরোকপা মশুমাং পাৎয়াই চনম্বগী মকাইফম, য়োইবু মহা মায়ারেল লক্ষ্মী সতী অথোইবী তাইবং পলেমপীওইবাগী মেখলা স্নামখাংফম তানফম কাঞ্চিপুর লৈবাক নুঙাইবদা পোইরৈ পুম্নাতিন্না খুনদারিঙৈদা মদাইরেম লোইয়ুম মুংবাল ৱাতেংবা মাধবরাম লৌশিং মতমলকপনা উনবা লৈখল লললিবা, তিংগোঙ মালেম লৈমাই হোবা শমু খুয়াখাগী ওইরিবা পোম্বী লোনদম চেককুম পন্থৌ লাইওইনবা য়োইময়াই নুমিৎ খোইবেল থাংগুম্বশিংগী ৱাকযৈ মহিৱম্মু হোনঙমদা তুংচেং

তাইবং মীগী লমচৎ মথকতা লৈবদা মথাদা লেবনা, মথাদা লেবনা মথক্তা লেবদা অহুম্মা চৎপা হৌনৈ হাইবা লাইৱিক অসিবু শ্রীশ্রীযুৎ জযসিংহ মহারাজ বৈষ্ণব লাইপোক ধম্ম অবতার, বিচার হনজীনবা পণ্ডিত মুপা থোকপা লৌশিং চাওবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুম্নমককী মফমদা কল্পতরুগী মশক ওইনা পুকনিং পেলহন্নবগী মশক ওইৱিবা হুমৱক্তা অমৃত লৈবঙ-মলিবা চীংলাইগুম থৌনা ফবা হেরাথিনবা থাংগুম্বা কোইরেল ফম্বাল তোংবা খোংজাই ঙম্বা থম্বা ফাবা মিংথোল মথ মথং চাওথৎপা নিংথৌরেলনা তুবী মুংনাং খোম্বা হাইনা কৌবা নিংথৌরেলনা লমলেল তাইবী লাংথবাল থোংজু ৱাইৱোকপা মশুমাং, পাৎয়াই চনম্বগী মকাইকম হাইনা কৌবা অমম্মুং লক্ষ্মী সতী অথোইবী তাইবং পানবগী মম।

খমলৌ মচৈ খুলবু ইনঙমদা পোলশা হুমপিকপনা খোইমা নারাহেপনা পাইবগুম ৱারম ইনজরকপনে। নাৱা অপিশানা লোইদাম থাজা পাখংববু শমু খুৎনা লাককে থৌদালবগুম, ৱাকয়ৈ হিহৈতবনা লৈরাই ৱাংমা লাননিংবগুম চেংলৌ মমিৎ তাংবনা মিংশেল শককোই য়েংনিংবগুম, খুউ হংমাতোনবনা চীংলেল পল্লংলা অৱাংববু কাননা লাম্নিংবগুম তাংজা মরৈলোম্বনা লাম্বা ইশৈ শকনিংবগুম তেংথা হৌদোকচরকপনে। ক্রিথোই থোইমলয়াম য়াথং থোযা শর্ম্মদি নাৱা লৌশিং ইহৌশানে খোইমোম লাইনিংবা লংজা ঙাকপিহৈবা নখোইনা ক্ষেমা ধর্ম্ম তৌনা ঙাকপিও।

মুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চাবোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরূক তানফংলৈ ফৈদ্রে লৈশিল্লৈ, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈবাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অতল উৱাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকোবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।

ওইৱিবিগী সনাগী মেথলা থা নপ তাকম কাক্রিপুর মুঙাইবদা মীতৈ পুম্নমককা লোইননা লৱিডৈদা মনাই ৱাহেংবা মাধবরাম হমথৎ লকপদা ঙাইৱিবা, ৱাথল থেনবা, লেপাকতা পকপা খুযাথাদা লেবা তিঙ্গোই হাউনা নাপীগুম্বা, উচেক মচা মরোল তমথৎলকপ-গুমলিবনা, মুমিংকা মঙান মক্কম ল না লাইগুম্বা অহলনা (ইপাগুম্বশিংনা) হোনখিবা হিরমবু হোনবা ঙমদনা নৌ চেঙাক মথুনস্থ হনঙমদনা, উচেক পাইবা হৈকাৎ তবনা নাপী ময়া নকনা পাইবগুম মতু ইনজরকপনি। অঙা অপিশুকনা থা অৱাংবা লামনিং-বগুম, হিহৈতবনা ভুরেল ৱা মা লালনিংবগুম মমিৎ তাংবনা মিংশেল য়েংনিংবগুম, খুকটকাং হিকতোকপনা চীং অৱাংবা লালনিংবগুম, মরৈলোম্বনা ঈশৈশকনিংবগুম তেংথাজরকপনে। চাইৱোই দৌবনা হাত হাহগদৌবনা হাতদবদি অঙাংগী লৌশিংগুম্বা ঐগী ইহৌশানি লাইবু নিংবা ঙাকপি হৈবা নখোইনা ক্ষেমা তৌনা ঙাকপিয়ু।

লুৱাংগুরু পুনশিবগী মপুনশিদি চারোল তরেৎ শুরোল তরূক ফাওবা লোমদে। মাগী পুনশি কত্রবস্থ শিনরা য়াবা, য়ামত্রবস্থ হাপচিনবা য়াবা অদুবু মপুল শানা পীনরমউ। হে ওজাগুরু লাইগুম্বাশিংও অৱাংপাংবা মাইপৈরোমদা ইকলুকবা ইমাই ওম্নপা চীংথৈ পাংবা মাইপৈ রোমদা কোনশিনজরমগে। হরিও।

লোইরবা।

লাংলোলদা য়াওবা ৱাহৈগা অর্থ।

অথমমীপোকপা=থোনা ফবা।

অথাকাইবা=য়াংবা।

অথৌ লাঙ্গোললকপা=থোনা ফবনা মীগী মথৱাই কল্লকলবা।

অপাম চেংলৌ মিথিংলবদি=অপাম্বা পোৎ উরবদি।

অপোকচাতা=পোকলকপা মচাদা।

অপোক লিহুই=অপোক অশি।

অৱাং নোংনিংথোমচা=অৱাংবা নত্রগা অৱাংলোমদা লৈবা, (নোংথক্তা নিংথৌ ওইদুনা লৈবা) লাইগী মচা। অৱাং পাংবা মাইগৈ অসি লাইগী লৈফমনি হাইনৈ।

অৱাং শরু লুতোংলৈ=শরুগা লুতোংগদা পকপা তাইবং মীগী পুনশি।

অৱা হকশোক লাংলবসু=অৱাবা নংলবসু।

অহল যুমলৈ ঙাম্বদা=যুমদা লৈবা অহলদা।

অহিং লিকলাং য়াইমরুবু ওইনৈএ=অহিংদা লিক পুম্নমককী মরু ওইবা য়াইবু ওই হাইবদি অহিংগী অরংবা অৱাইমচাক পুম্নমকতগী থানা মরু ওইনা ঙাল্লি।

ই

ইমন কোৱা চিংথংলাং পাংবরম ওন্না=লাইগী লৈযম্ম চিংথৈ পাংবারোমদা ওনদুনা।

ইমাই নোংনেম লাইনাপাং=ইমাই নোংথকলোমদা নেমনা য়েংলগা অৱাং-লোমদা ওন্দুনা ইরু লুকনা অৱাংলোমদা ওন্দুনা হাইবদি অৱাংলোমদা ওন্না থুরুমদুনা।

ঈ

ঈরিকলাই=ইশিংমরিক অকুপপা নোংমরিক।

উ

উনবী—পুকনি ।

উনবী পুকনি অতল নাইফবোইএ—পুকনিং তনফদে

উনবী পুকনি লিয়েৎ নুংওনমিৎ—পুকনিংগী মশক ওইরবা মিৎ অতুনা লীনা য়েংতুনা থম্লববু উনবগী মশক ওইবিবা

উনবী পুকনি লো বা—পুকনি লোংবা ।

উনবী ফকমাংননা—পুকনিং তোফম খংদনা ।

উনবী লৈথল ললিবা—বাথল থেল্লিবা ।

ও

ওংলৌ—হকচাং

ওংলৌ য়াইবীরোল শিদবা—হকচাংদি থবাই অমাং অতা লৈতবনা ওইবিবা

ক

কাওরেল লেংবা শনমুং—শল পাবোৎমু ।

কাপতিং য়াইথংবা—কাকথৈ ।

কোইরেল ফম্বাল তোংবা—ফম্বাল তোংবা নিংথৌরেল ।

কোংগোই—কিশি ।

কোংয়াং—বা (য়া পাম্বী) ।

কোনজাও কোলোই—য়াথং অয়াকপা ।

কোবৌ—অতিয়া, নুমিৎ (নোংমা) ।

কোয়ৌ নোংমদোনগী—অতিয়া মথককী ।

কোলোই—মিৎ, য়াথং ।

ক্রি—করি ।

ক্রিথোই—করিগুম্বা থোইগৎপা—মীতৈরোল অরীবদা করি হাইবা য়াহৈ অসি ক্রি হাইনা চৎনরমই । পোইরৈতোন খুনথোকপদমু করি কবি পানবগে হাইনা হংবদা ক্রি ক্রি পানবনো হাই ।

খ

খকয়দবনা=অতৎ অথম নাইদবনা।
খাচং য়োইনা হৈয়বগা=হাইজবা থৌগনজবা হৈয়বদি।
খাজং থৌনি য়াৎপা=হাইজা চৎচা য়াৎপা।
খালৈ=থোং, থোংবাল, লৌকম।
খাশি=মথাদা লৈবামীদা চৎপা লমচৎপু খাশি কৌই।
খাশি পারি লাংকোইতমগুম=মথাগী মীবু মচা য়োকপগুম।
খিচিকতা=খজিকতা, খরতা।
খুকউ হংমাতোনবা=খুকউ হং য়াওদবা।
খুনবী কাপতিংচা=কাকৈ।
খুনবী পোৎলুম হোংলবগা=নাপীদা কাকৈনা নম্বরম্ব অত্র হোংখরবদা
খুমু=নৌ।
খরালবা=হুরানবা।
খোইমা=নাপী, ই।
খোইমা নায়া হেপনা=নাপী মনা নকনা, নেম্না।
খোয়ম=লাই, খদা হাইবদি অতিয়াদা ময়ুম ওইবা হাইবগী অথদা খোয়ম থোকই, খাইগী য়ুম হাইবদি চংনফম হাইবদা খোয়ম থোকপম্ব য়াই।
খোলদানবা=খোঙ্গেনগুম্না।

ঙ

ঙাইয়োইনখিদে=চংমিয়খিদে।
ঙাম্নু খেয়ে চিনবাকপীচা=ঙাম্ন হাইবা মচিন পাকপী.

চ

চহুই কাংবা লৈ=পুক শিংপবু চরী চহুই তৎপা হাইনৈ অহুগুম্নহুনা পুনশি মপুক শিংলববু হাইবদি ময়েং তারবা পুনশিবু কাংখংনবগী মশক ওইবিবা।
চিনকোই=য়াথং।
চীঙু=লাই, লাইবু চীঙু হাইবগী অর্থদি চীং মতোল অরাংবদা হোনা উদি মথাদা লৈবামীনা য়েংবদায়ায়া য়াংনা উই অহুগুম্নহুনা অরাংবদগী হেম্না

মাংবা হাইবগী অর্থনি লাইমকতি ফংনা মাংদ্রিববু চীংখোং হাই। মাদুদি চীংখোং পোইরৈতোল নিংথৌবুদি চীঙ্ হাইনৈ মাদুদি চৈণাবগী মরোলদা "চীঙ্ অনিমগী মকুমশাদি" অসিনচিংবা যুববাজবুনা চীংখোং কৌই

চাংলাই শাফুনবা=চীংলাইগুম থোনা ফবা।

চেংলো=মিং, শকফম।

চেকলা=উচেক।

চোইনৌ=সনা।

ত

তরা=চাক।

তাইবংনিংশাপালগী=তেংবানবগী, সংসাবগী।

তাইবী লাংথবাল=লাংথবালগী মমিংনি

তাংজা=কোক, ইকাইবা।

তাংজা লিলাথি=লিল।

তাংজা লুতুং পাৎনা=লুথম পাৎনা।

তানফৎদরবগী=ফৎদববগী।

তিমেল=তা।

তুংজেং=হি।

তুগুম্বনে=অদুগুম্বনি।

তুবী=মতিক মগুন চাওবা।

তোজ মতিকমন=তোজরকপগী মতুং ইন্না।

থ

থংলেন=মরা মপুরোইবা।

থকশি=মথককী মীগী মফমদা অমুম্না চংপা হৌনৈ হাইবা অদুবু থকশি কৌই।

থবা=থবানমচাক অমগী মমিংনি অবংবা অঙানবা পোংশক থংহনবদা হাপনবা প্রমাণনি।

থবী=মুমিৎ থানচিংবা অরুংবা গ্রহবু থবী কৌই।

থবী লোইতাম্বা=থা।

থবী শেঙ্গোইরেং অপানবদা=নুমিংতগী, নুমিংমরুম লংবদগী।
থরাই পোল্লিংখিববু=থরাই চোংথোকখিববু।
থিরেল=সংসার অসি সৃষ্টি তৌগে হাইনা নিংলকপদা ইহান হানবদা থিরেল কৌবা মতুম অমা শেমলে মতুম অসিগী মমুংদগী ঈশ্বরনা থাক লাওনা চোংথোরকই। অসিগুম্বা মতুম অসিবু থিরেল মতুম কৌই ব্রহ্মাণ্ড হাইবগুম্বনি।
থোংজু রাইরোকপা মমুমাং=লাংথবালগী মমিংনি।
থোদালবগুম=হোংনবগুম।

ন

নমৃ=মী।
নমৃ পোংথোক=তাইবং মী থোরকপা।
নমৃ পোংশেম্বা=তাইবং মী শেম্বা।
নাও হিংশানা লোনবদা=নাওহুই লোনবদা।
নাফুংলৈনা থা=লৈপাক নাপীনা থা।
নাম প্রকাশ মন্ত্রেক অহুম=হরিনামগী বীজ শ্রীঅঙ্গ, অনঙ্গ, ত্রঙ্গ হাইবা ৱাহৈ অহুম অসিনা।
নারা=অঙাং।
নিংমৎ=তুংগী।
নুংনাংথোম্বা=ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মিংথোল অমনি। জয়সিংহ, ভাগ্যচন্দ্র, কর্ত্তা চীংথংখোম্বা, নুংনাংথোম্বা অসিনচিংবা অসি মহারাজ অসিগী মমিংনি।
নুংবান পুনশি ইৱাললৈ=লুৱাংগুরু পুনশিবগী মপুনশি।
নুমিৎ থোইরেল থাংগুম্বশিংগী=নুমিৎ মরুম লংবা অমমুং য়াম্না থৌবা থাংগী।

প

পল্লেম=মমা।
পল্লেম ইমুং শিলয়োমনুংগী=মমাগী গর্ভদগী
পাইমা=লৌশিং।
পাইমা ইরৈচল=বুদ্ধি লৌশিং ফুম্বংনবা।

পাইমা থোকাওনদনা মুংওন্নখিএ=পুকনিং অকাওবা লৈতনা মুংশিনৈ ।

পাইমা শিল্লৈরোম্বা=লৌশিংথনবা, লৌশিংগী থবক্তা মরৈরোমবনা রা ভাংবগুম্না লং লং লাওবা ।

পাংশোই নিকপা=অথোই অহেন নাইবা, চুমদবা ।

পাথৌ=মমান্নবা ।

পামবা লোইনাই মনিংলোল=হোদোং ।

পামিংনবা=মপাগা মমিং মান্নবা, মপাগুম্বা ।

পামিংনবা মীবেলহুক=মপাগা মমিং মান্নবা হাইবদি মপাগুম্বা অহলবু মী অথোইবনি হাইনা নিংবা ।

পায়োং কোংফমতিং=কোং ময়েং তান্নকপা ।

পাংয়াই চনম্বগী মকাইক্কম=লাংথবালগী মিংথোলনি ।

পুকনিং ফমহোং তোইবদি=পুকনিং তোইনা হোংবদি

পুকনিং মকিংনাইবা=লিংচেল চুমদবা ।

পুনশি ইৱাললৈ=পুনশি ।

পোলশা ভুমপিকপনা=উচেক মচা মশা কন্না হুম্বা ভুমত্রিবনা ।

ফ

ফকলাং লোনজা থেংকোইবনা=উচিনা ।

ফত্রৈ লৈশিললৈ=ফত্ত লৈ+লৈশিল্লৈ ফত্তবা লৈবু শিনবা য়াবা লৈ ফত্রবা পুনশিবু অফবা পুনশিনা শিনবা য়াবা ।

ফমলেন লুচিং তানফংএ=ফমমেল ফম্বা ভুমই ।

ফমলেন লোনগোই হৈরবগা=(হোদোং) শায়াক হৈবগা ।

ফিবুল লৈনা থা=লৈপাকতা ফিনা থাহুনা ।

ফাইরৌ ফাদা=ফাহুনা থম্বা ভুমদনা ।

(চোইনৌ সনা) ফংকোং য়াইবংচালগুম=সনাগী মথক্তা তম্ফা থিলব ভুম ।

ব

বিচার রাথিনবদা=বিচার কুপথবদা, বিচার মুনবদা ।

ম

মকে হাথক্রক শিংদি=মচা কোকপা শিংদি।
মথং লেংনা পেৎতমলকপা=মথং লেংনা মথং শিংনা পোরকপা।
মঙম শোইবা মিৎয়েংনা=মিৎয়েং চুমদনা।
মচৈ খুলবু=চৈগী মখুলবু।
মথৌ মরংশিএ=মথৌ ময়েং তাখি।
মপল=মপা, মপী।
মপল পিশা চাবগুম=মপীগী মশা চাবগুম।
মপাবি মুংজানবা=মচানুপা মুংশিবা।
মপাবি হাথনা=মচা লাবা পোকতুনা।
মফম পেলউশা=মাপা লৈফম ওইবিবা উ মশা।
মমোম নাও নৌববমু=মচা (অমোম) পোকলবমু।
মমোম মুংওনবী=মচানুপী মুংশিবী।
মরাল লোলযুম=যুম।
মানবিচক লৈকাও=শম্পোং খোনইবা শগ।
মালেম মপু-লাকহৌবকপা=পৃথিবী পুন্নমক হোবকপা
মিংলেন মথোলতৈনা=মমিং মথোল মথোল কানা।
মিৎয়েং চোইদা যামবদি=মমিৎ চোইবদি
মাকাই কনানা=মী ফত্তবা কনানা।
মারেল তাইবং য়োইথুমচাক=তাইবংমীদগী অপ ইবা
মুকমু হাইমৈ চোনবা=শললাবা।
মেথলা সনা মথাংফম=থাংনপ।
মৈদিঙু=মীতৈগী ইবুঙো, মীতৈ নিংথৌ।

য়

য়াইবী=থরাই।
য়াইবী খোংহৌ রাইথুংফম=থরাইগী লাকফম অমসুং থুংপুফম।
য়াইবীরেল শিদবা=থরাই অমাং অতা লৈতবা
য়াওরৌ=শা।

ময়াওবৌ শত্র লুচাওবা=-শামু।
ময়াংলৈ=হুই।
যাথং থোয়া=বাহৈ।
যাবা=খোঞ্জেন, উপু, কবিগুম্না অমা থোকত্রিঙৈদা হায়না থোবকপবুসু ময়াবা কৌই।
যামদ্রৈ চাইশিললৈ=য়ামদবা লৈ চাইশিনবা হাপচিনবা লৈ। য়ামলকত্রবা পুনশিবু অমুক হাপচিনবা ময়াবা।
য়াম্মা থৌশিংখালগী=মথককী মশিনা পাখোল শিন্নুনা।
যাবেল=ময়া।
য়োইওইবগুম=চাথোকপগুম।
য়োইচালও=থৌজানবিয।
য়োইময়াই তাওদলবা—হুমিং
য়োইবেলবা=অথোইবা।

ল

লক্ষুং লৈনাথা=লৈপাকতা নাপীনা থাদুনা।
লমলোই থৌদাকথোন্না=মরূপ মপাংগী পাওতাকনা।
লাইজ ইবেলপু=ইশিং অচৌবা, সমদ্রুবুসু হাই।
লাইজা লিকলা থকমদবনা=ইশি মবিক অতংপা লাহদনা
লাইবক খেলাই=লাইবকতা লাইনা ইবকপা।
লাইবেল=লাই অথোইবা।
লাইহুই হৌবকপা=লাইগী মতিক মগুন থোবকপা।
লাংবন তৌম্না তৌবিক লাইবু=লাংবন থাগী নিংথিজববা তৌবিক মকম কুপ্পা লাইবু (লাইগী মক্ক)।
লাংলোল=লাংফম মথং মথং, লাংফম হাইবদি অরাবা থোকপা ময়াবা, খুদোংথিবা।
লাকহৈ=চহি।
লাবা থিয়াং থোকনা=মুপা থোকনা।
লিকলি তরৈমুং=লিকলি অবংবা মমুং।
লিরেল তাংমা লাংনা=লিচৈ থাদুনা ফুবা লাংনা।

লুমলেন=মণ্ডু।
লৈকু থমথেংম্নাম=লৈকু লৈরাইদা তোইনা থেং।
লৈতাং পোম্বি=লৈতাংপাৎতা তাবা উচেক।
লৈতোই খুদিচেল=খুদি য়াম্না থিজ্বনা।
লৈরাই হিফাইচল=লৈরাইদা হি পনবা।
লোললেম=য়ুম।
লৌশিং কোনচিন নাইবা=মপুকচেল শেংদবা।
লৌশিং নারা শৈদমপাল=লৌশিংদি তমথৎলকপা অঙাং গুমলিবা

র

রাইথু ফম্বা থংদনা=রাইথুংফম থংদনা।
রাইরা=তেল।
রাইরা শাথোং অরুম্বা=শাফম লানফম অকনবা।
রাকয়ৈ=হি।
রাচুম=অচুম্বা রা।
রাচুম অনোনবনা=নাপল য়াওদবা অচুম্বা রানা।
রাচুম চৈরোইনববদি=অচুম্বা রা হাইবগা লোইনববদি।

শ

শংগাই য়াংনম অপিশানা=শংগাই (থাং জাং অমা) অপিশকনা
শংলৌ=য়েঙ্খাং, থৌরাং, হোৎনবা।
শমু=হকচাং, খুৎ।
শমুখুম্নাপাং=মথোং হুবাংমা।
শরি=রাশকপা।
শরা=শো, রাইখুশো।
শরা চিন্না হৈনা=মচিন্না থিজ্বনা।
শাইগং লৈহন কিদনা=শগুন তোবা কিদনা।
শাগৈ ডাইরি=শাগৈ নাতৈ।

শালশেম ঙমএ=শেম শাবা ঙমই।
শাহৈবা=মপোক।
শুমাই=শুমাং।
শমদিন লুনাইদবা=মক ময়াং পানদবা শূম হাই তিল।

স

সনা কোনফুরেল=সনাগী অথোইবা কোনফু (অমুবাদ য়েংউ)।

হ

হন্দক অমম খংলবা=মপোক অসিগী অমম্বা হাইবদি ফত্তবা পুম্নমক খংলবা।
হয়াহে=মীতৈবোলগী লাইবিক অরীবা পুম্নমক হয়াহে নত্রগা হবি চা হয়াহে হাইনা হোবনা নমই হয়াগী অর্থ অসি লাইবু খংহনবা নত্তনা অর্থ অতোপ্পা অমা খংহল্লি হাইনঙাই পমাণ য়াবা খুদম ফংদে। মবম অচনা লাইগী অর্থ খংহনবনি হাইনা লেপচবে, লাই ওইরবদি হয়গ্রীব হাইবা য়াহৈগা অপভ্রংশ ওইগনি। হবি চা হয়াহে হাইবদি হবি যা অদু নত্রগা যা হয়াহে হাইবনি অর্থদি হবি হাইবা অদু হয়া নি হাইবা খংহল্লি।
হলয়াইবকপা=হল্লকপা।
হিজল হিনাও হৈতবে=হি হোনবা হৈতবে।
হুয়েল=লালফম।
হৈজা অওই থিবা=ওইজা ওইপক থিবা, লম্লোলবা।

Printed at the Baptist Mission Press Calcutta

মণিপুরী ব্যাকরণ

অহানুবা

[শেম্দোকুবা খুৎনম]

শ্রীখুম্রাকপম গোপা[illegible]